# এম এল এ কে গোবিনদাসকী য়ুমদা অহল ওইরবশিংদা পেন্সন য়েন্থোকখ্রে

বিষ্ণুপুর, ওক্টোবর ১০(ঐচ এন এস):
বিষ্ণুপুর এসেমব্লি কন্সটিটুএন্সিগী এম এল এ কে গোবিনদাসনা ঙসি মহাক্কী লৈখিদ্রবা অপোকপা কে গোজেন্দ্রোগী মীংদা লিংখৎপা কে গোজেন্দ্রো ফাউন্দেসননা স্পোন্সর তৌদুনা এ সী অসিদগী খনগৎলবা অহল ৮৬৪ অমদি চহী নৌনা লুখ্রা ওইহৌরবী ১৩৬ পুন্না মীওই ১০০০দা পেন্সন য়েন্থোকপগী থৌরম অমা মহাক্কী নিংথৌখোঙদা লৈবা য়ুমদা পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা মহাক্না ফোঙদোকখিবদা, লৈঙাক্না অহলশিংদা অমদি লুখ্রা ওইহৌরবীশিংদা পীবা পেন্সনগী শেনফমমক য়ৌদ্রবসু ফাউন্দেসন অসিনা অঙম্বা মতেং তৌজবনি। অহল ওইরবশিং অমদি নৌনা মপুরোয়বা কায়নখ্রবা লুখ্রা ওইহৌরবশিংগীদমক খল্লগা ফাউন্দেসন অসিনা ঙমজবা মতেং তৌবনি। মসিদা নৎতনা ফাউন্দেসন অসিনা এ সী অসিগী মনুংদগী ইমুং মনুংগী ফিভম চাদবনা লাইরিক তম্বা ঙমদ্রবা, করিগুম্বা ট্রেনিং চৎপা ঙমজদবা মহৈরোয় কয়া ট্রেনিং তৌদুনা ডোক্তর, এঞ্জিনিয়রনচিংবা কয়া ওইখিবসু লৈখ্রে হায়খি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা পেন্সনগী শেনফম অসি থা খুদিংগী পীবা মতমদা লৌথোক-লৌশিন্দা ফরক তাগদবগী মরম লৈবনা থা ৬/৬কী ওইনা পূন্সিল্লগা পীবনি। লৈঙাক খক্না অৱা-অনা, তোল্লা-তারবা, অহল ওইরবা খুদিংমকপু য়েংশিনবা ঙাইবগী মহুত্তা ঐখোয়-ঐখোয়নসু ঙমজবা অঙম্বা মতেং তৌনরবা মতমদা লমদম অসি চাওখৎপা, ইংনা শান্তি লৈনা পানবা লমদম অমা হায়বদু ওইগদৌরিবনি হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা ফাউন্দেসন অসিগী প্রেসিদেন্টসু ওইরিবা বিষ্ণুপুর এ সীগী এম এল এ কে গোবিনদাস, ফাউন্দেসনগী সেক্রেটরি এল গোকুল অমদি এ সী অসিগী তোঙান-তোঙানবা ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল অমদি গ্রাম পঞ্চায়টকী কোংগ্রেস পার্টিগী মীহুৎশিংনা শরুক য়াখি।

# সৎজাল একাদেমিগী ১৬শুবা রেজিং দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১০(ঐচ এন এস):
মৈতৈ হুয়েন লালোং সিনতম শঙলেন সৎজাল একাদেমিগী ১৬শুবা রেজিং দেগী থৌরম ঙসি লংথবাল কুঞ্জা ব্রাঞ্চ (সাউট) মোইরাং সুজাগী ইবুধৌ হরাওপুংদা পাঙথোকখ্রে।

য়ুনির্ভসেল ফ্রেন্দশিপ ওর্গনাইজেসন ইম্ফাল ইষ্ট হেদ ক্বাটর নম্বর ১না স্পোন্সর তৌদুনা 'য়ুনির্ভসেল পিছ এন্দ লভ' হায়বা ৱাখল্লোন্দা য়ুফম ওইরগা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা সী এ এফ এন্দ দি পি রেভিন্যু ৱেষ্ট এন্দ মেজর এন্দ রিহেব্লিটেসন মিনিষ্টর কে শ্যাম, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী কেমেষ্ট্রি দিপার্টমেন্টগী প্রেফেসর ডা. এন রাজমোহোন, কৈরাও এ সীগী এম এল এ এন রামেশ্বোর মৈতৈ, ওল মণিপুর নুপী সমাজগী প্রেসিদেন্ট টিঐচ রমণি লৈমা, ইম্ফাল ৱেষ্ট লিগেল এদস কাউন্সিলগী এদভোকেট খুরাইজম কান্তা, খাঙানবা সোসল সাইন্সটিষ্ট ডা. ধনবির লাইশ্রম, ইম্ফাল ৱেষ্ট পুলিসকী এদিস্নেল এস পি লামাবম অমর্জিৎ এম পি এস অমদি এম য়ুগী এসিষ্টেন্ট রেজিষ্ট্রার লাবম ওংবী বুধাপটিনা মথংশিংনা চিফ গেষ্ট, প্রেসিদেন্ট অমদি চেষ্ট ওফ ওনর ওইখি হায়রি। থৌরম অদুগী হৌদোকপগী থৌরমদা চিফ গেষ্ট ওইখিবা মিনিষ্টর করাম শ্যামনা সৎজাল একাদেমিগী ফিরাল চিংখৎখি।

থৌরম অদুদা সৎজাল একাদেমিগী সিনিয়র ওইরবা থৌমী এন নাওখোম্বনা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুরগী পুয়া মৈ থাখিবা অদু উত্ত্রা শঙলেন মমাংদা মী পোৎলোয়বগুম মৈ থাখি। মসিদা নৎতনা চহী ৭ খুন্তাকখিবা, লাইনিং হোংখিবা অদুগী মতুংদা চুরাচান্দ মহারাজ, লময়ানবা ইরাবতনা নাৎকী ওইবা কলচর অমদি ট্রেদিসন থাদোক্লবদগী অমুক হঞ্জিন্নবা হোৎনখি।

হৌজিক ময়াই কাবা চিঙাক্না ইরমদম অসিদা লাকহৎলক্তুনা মমা-মচা, মচিন-মনাও মশক খংনরক্ত্রে। লৈকাই-লৈকাইদা লাইশঙ লৈত্রিবা অসি শিন্দম শঙলেনদা নাৎকী ওইবা কলচর তমসি। হৌজিক শিন্দম শঙলেন ২২৭ শঙ্গাখ্রে। খরসু শঙ্গাদৌবা ৱাৎলি। মৈতৈদি লৈহৌবা য়াই নাৎকী ওইবা কলচরদি তপ্না-তপ্না মাংশিল্লক্লি। মরম অদুনা মৈতৈ ঐখোয়গী ওইবা শরিৎ-শরাৎ অমদি থাং-টা অসি তম্বগা লোয়ননা থকশি-খাশি অমদি থৌগল্লোন্নচিংবা তমদবা য়াদে হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা কৈরাও এ সীগী এম এল এ এল রামেশ্বোরনা ফোঙদোকখিবদা, সৎজাল য়ু এফ ওগী ব্রাঞ্চকী শঙলেনশিং অসি নৌনা শেমজিনবা মথৌ তারে। লোয়ননা সৎজালগী লুচিং পুরেল আর কে মণিসনানা মীয়ামগীদমক কখোকলম্বশিংবু শিংথাখি। লোয়ননা সৎজালগী থবক থৌরমদা মতেং ওইনা লুপা লাক্ষ অমসু দোনেট তৌখি।

# ফিল্ম ষ্টুদিও হাংদোকখ্রে

থৌবাল, ওক্টোবর ১০(ঐচ এন এস):
সিনেমাটোগ্রাফি, ফোটোগ্রাফি, ইদিটিং, ফিল্ম ইক্বিপমেন্ট অমদি রেকোর্দিংনচিংবা কয়াগী খুদোংচাবা পীদুনা অর্টিষ্টশিংবু য়োকখৎকদবা 'এন-কে এ এম বি টি ষ্টুদিও' কৌবা ফিল্ম সেন্তর অমা ঙসি ফিল্ম ফোরম মণিপুরগী চ্যের্মেন সমজেৎশাবম মঙ্গোলজাওনা থৌবাল ক্ষেত্রিলৈকাইদা হাংদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ফিল্ম ফোরম মণিপুরগী ফিল্ম মেকর/ট্রেজরর এন তোম্বা, থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল ৱার্দ নম্বর ৩গী কাউন্সিল্লর পি জোতে, ফিল্ম সেন্তর অসিগী ওনর/মপু কৃষ্ণনন্দ নিঙোম্বম অমদি মণিপুর ফিল্মগী শক্লাইরবা আর্টিষ্ট কয়াসু শরুক য়াখি।

থৌরমগা মরী লৈননা ফিল্ম ফোরম মণিপুরগী চ্যের্মেন মঙ্গোলজাওনা ফোঙদোকখিবদা, ফিল্ম ফোরম মণিপুর অসি কাংলুপ অমখক্তি নৎতে। মণিপুরদা লৈরিবা ফুরুপ পূম্নমক্তি য়াইফনবা লৈবা ফোরম অমনি। আর্টষ্টশিংবু য়োকখৎপা অমদি ফিল্মগী লমদা মীয়ামদা অফবা পাউতাক-পাউজেল পীবনা মপুংওইনা থৌদাং লৌরিবা ফোরম অমনি। মরম অসিনা লমদম অসিদা লৈরিবা ফুরুপ খুদিংনা মোৎ মান্ননা ফোরম অসিদা য়ুনিটি লৈনা থবক তৌমিন্নসি। অফবা খুন্নাই অমা পূরক্লবা হোৎনমিন্নসি হায়খি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মীওই কয়ানসু ঙসি থৌবালদা ফিল্মগী ষ্টুদিও অমা হাংদোরকপা অসিনা মণিপুরী ফিল্ম হেন্না চাওখৎহনবদা মতেং ওইরগনি হায়নসু ফোঙদোক্লখি।

# 'মলেমগী মীৎ উদবশিংগী নুমিৎ ২০১৯' থৌরম হৈরোক্তা পাঙথোকখ্রে

থৌবাল, ওক্টোবর ১০(ঐচ এন এস):
মলেমগী মফম কয়াদা পাঙথোক্লবগুম থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা হৈরোক হায় স্কুলদসু 'মালেমগী মীৎ উদবশিংগী নুমিৎ ২০১৯' গী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট হেল্থ সোসাইটি থৌবাল অমদি লায়নস ক্লব ককচিং গ্রেটরগী মীৎয়েং মখাদা নেসনল প্রোগ্রাম ফোর কন্ত্রোল ওফ ব্লাইন্দনেস থৌবালনা 'ভিজন ফার্ষ্ট' হায়বা থিমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ইমেজ টিভিগী এদিটরসু ওইরিবা লায়নস ক্লব ককচিং গ্রেটরগী প্রসিদেন্ট এন উত্তমকুমার, দিষ্ট্রিক্ট ফেমিলি ৱেলফেয়র ওফিসর (দি এফ দব্লিয়ু ও) সু ওইরিবা এন পি সী বি থৌবালগী দি এন ও ডা. কেএসঐচ মেমচা অমসুং হৈরোক হায় স্কুলগী হেদ মাষ্টর কেঐচ কেশোনা অথোইবা মীথুং, থৌরম মপু অমসুং অখন্নবা মীথুংশিং ওইখি।

দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল থৌবালগী ওপথালমোলোজিষ্ট ডা. এন লিম্থোইঙম্বীনা শরুক য়ারিবা মীয়ামবু তরাম্না ওকপা অমদি থৌরম অদুগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীখি।

অথোইবা মীথুংগী ৱারোল পীরদুনা ইমেজ টিভিগী এদিটর এন উত্তমকুমারনা থৌরমগা মরী লৈনবা ৱাফমশিং ফোঙদোক্লদুনা হায়, ঐখোয় খুদিংমক্কী মীৎ অসি য়াম্না মরু ওই মসি শোক্লগদি য়াম্না নুংঙাইতে । মরম অসিনা মীৎপু চেকশিন্না থম্বা মথৌ তাই। মীৎ উরক্তবা হায়বসিনা ঐখোয় মীওইবদা য়াম্না অৱাবা ওইহল্লি হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়খিবদা, মমাংঙৈগী মতমগা হৌজিক্তা য়াম্না খেৎনরে। হৌজিক্তি মোবাইলগী মতম ওইরকপা অসিনা হৌরক্লিবা নহা মরোল অমদি মোবাইলদা লোয়না ঙাওরে। মসিনসু মীৎ শোক্লবা অচৌবা মরম অমসু ওইরে হায়রদুনা মীৎপু শোক্লগদি ঐখোয়দা য়াম্না নুংঙাইতবা ৱাখল্লোন অমা ফাওহল্লি। মরম অসিনা ঐখোয়না অহানবদা চেকশিনগদবা অসি মীৎনি অদুনা হৌরক্লিবা নহারোলশিংনা মীৎ অসি চেকশিন্নবা হোৎনসি হায়খি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা থা অসিগী ৫দা স্কুল অসিদা লেম্না মীৎ চাংয়েং তৌবগী কেম্প অমসু পাঙথোকখি। কেম্প অদুদা মহৈরোয় ১৫০ রোমদা লেম্না মীৎ চাংয়েং তৌবদা মহৈরোয় ১০ রিফ্রেকটিভ এরর লৈরম্বা থেংনখিবগা লোয়ননা ঙসি মহৈরোয় ১০ অসিদা লেম্না অনোকসু য়েন্থোকখি।

# য়াইরিপোক পি এসতা চাইল্ড ফ্রেন্দলি পুলিস ষ্টেসন হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১০(ঐচ এন এস):
ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী ৱাংবা লোগী লোইশঙ অমা ওইরিবা সুপ্রিম কোর্টকী য়াথং অমসুং মণিপুর কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটস (এম সী পি সী আর) গী গাইদলাইনগী মখাদা পুলিস ষ্টেসন খুদিংমক্তা চহী নৌরিবা অঙাংশিংনা পুলিস ষ্টেসন অমদা লাকপা মতমদা মশাদা অকিবা অমদি থুকৎপা ফাওদনবা মখোয়গী তোখায়বা কা অমা থম্নবগী পান্দমদা ঙসি য়াইরিপোক পি এসতা চাইল্ড ফ্রেন্দলি পুলিস ষ্টেসন/চাইল্ড ফ্রেন্দলি রুম হৌনবী মতুং ইন্না এস পি থৌবাল ডা. এস ইবোমচানা রিবন কক্লগা হাংদোকখ্রে।

থৌবাল পি এস কী চাইল্ড ফ্রেন্দলি রুম হাঙদোকপগী থৌরমগা মরী লৈননা এস পি থৌবাল এস ইবোমচনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা, চহী ১৮ শুদ্রিবা অঙাংশিংনা থৌদোক-ৱাথোক অমগা মরী লৈননা তঙাইফদনা পুলিস ষ্টেসন অমদা লাকপা মতমদা পুলিসকী ফিজোল শেৎপশিং উবদা কিবা অমদি থুগৎপা লোয়ননা হৈনদবনচিংবা থোক্তনবা পুলিস ষ্টেসনশিংদা চাইল্ড ফ্রেন্দলি ওইবা কা অমমম হাংনবা লৈঙাক্না খোঙথাং অমগী মখাদা য়াইরিপোক পি এসকী ও সীনা অচৌবা থৌদাং লৌবীরগা হাংদোক্লিবনি হায়খি।

পনবা য়াই, ঙসিগী চাইল্ড ফ্রেন্দলি পুলিস ষ্টেসন হাঙদোকপা অদুদা এদিস্নেল এস পি টিঐচ দেশ্বোরজিৎ এস দি পি ও য়াইরিপোক অনুপম আই পি এস, ও সী য়াইরিপোক এম দি রিয়াজুদ্দিন শাহসু শরুক য়াখি।

# মপোক নুমিৎ থৌরম পাঙথোকখ্রে

থৌবাল, ওক্টোবর ১০(ঐচ এন এস):
সেল্ফ ইমপ্লোইদ ফাইনান্স ইনভেষ্টমেন্ট (সেফি) লিংখৎতুনা মীয়ামগী থৌগল তৌরকপা চহী ৫ (মঙা) মপুং ফারকপা নুমিৎকী থৌরম থৌবাল ৱাংমতাবদা লৈবা ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

সেফি হেদ ওফিস থৌবালনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা সেফিগী দিরেক্তর সন্দে অকোইজম অমসুং সেফি মেনেজমেন্ট কম্মিটিগী চ্যের্মেন্ট রঞ্জিতা অকোইজম অনীনা থৌরমগী মীথুংলেনশিং ওইনা ফমফমলাংদা লেংশিনখি। মথৌ নীংথিনা পাঙথোকপা সেফিগী ষ্টাফশিংদা খুদোলপোৎ পীদুনা পূক্নিং থৌগৎপনা মপুং ওইনা থৌরম ওইখি।

থৌরমগী মতাংদা সেফিগী দিরেক্তর সন্দে অকোইজমনা হায়, লমদম অসিদা লাইরিক্তি হৈরবা অদুবু লৈঙাক্কী মখাদা থবক্তি ফংজদ্রবা মীওই কয়াবু মশাগী শেন্থোক লম্বী অমমম শেমজদুনা ইমুং-মনুংগী শেনমীৎলোনদা মতেং পাঙনবা অমদি মশাগী হৈথোয়-শিংথোয়জরবা, খুৎ-শা হৈরবা অদুম ওইনমক শেল পুথোকচদুনা থবক পায়খৎপা ঙমজদবা মীওই কয়াদা শেন্থং পীথদুনা মখোয়সু হিংজবা ঙম্নবা, অনীমক হিংমিন্নবগী পান্দমদা সেফি লিংখৎতুনা মীয়ামগী থৌগল তৌরকপা চহী ৫ (মঙা) মপুং ফারকপগী থৌরম পাঙথোকপনি।

মহাক্না মখা তানা হায়খিবদা, থৌবাল, ককচিং, বিষ্ণুপুর অমসুং মোইরাংদা ওফিস লৈরে। মসিদা মীওই ১০০ হেন্না থবক পীরি। হেন্না পাকথোক-চাওথোক্না থবক পীনবা অমদি মীয়ামগী মতেং পাংনবা হোৎনখিগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# মিসন ব্লাইন্দ স্কুলদা তেংবাং পীখ্রে

ককচিং, ওক্টোবর ১০(ঐচ এন এস):
মলেমগী মীৎ উদ্রবশিংগী নুমিৎকা মরী লৈননা লনলৈমা মরুপ, ককচিংনা মিসন ব্লাইন্দ স্কুল, হৈক্রককপোকপীদা তেংবাং পোৎলম পীখ্রে।

তেংবাং পোৎলমশিং অদুগী মনুংদা, চেঙ বেগ-২ অমদি হৱাই কিলোগ্রাম-২০ পীখি। অচা-অথক্কী মতেং পীবা অদুগা মরী লৈননা লনলৈমা মরুপ ককচিংগী সেক্রেটরি ইনাওসননা ফোঙদোকখিবদা, মরাইবক থীরবা, মীমান্নদ্রবশিং, অহল-লমনশিং, লাইরিক-লাইসু ফবা মহৈরোয়শিং, আর্ট এন্দ কলচর অমদি শান্ন-খোৎনবদা মীথোই মীহেল্লকপশিংদা পূক্নিং থৌগৎপা অমদি তেংবাং পীবা ঙম্নবগীদমক লনলৈমা মরুপ ককচিং অসি মলেমদা শাফোঙলকপনি হায়খি।

মরুপ অসিগী পান্দমগী মতুং ইন্না ঙসি মিসন ব্লাইন্দ স্কুল হৈক্রককপোকপীদা মলেমগী মীৎ উদ্রবশিংগী নুমিৎকা মরি লৈননা তেংবাং পোৎলম অসি পীবনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# চঙশিনগনি তৌরম্বা খোঙজং হন্দোকখ্রে

মোইরাং, ওক্টোবর ১০(ঐচ এন এস):
মোইরাং কোলেজদা কম্প্যুটর সাইন্স কোর্স হাঙদোক্লগা এগজাম থাবা য়াবগী অয়াবা পীদবগী মতাংদা থা অসিগী ১১দগী চঙশিনগনি তৌরম্বা খোঙজং হন্দোক্লে হায়না ঙসি কোলেজ অসিগী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী রুমদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা কোলেজ অসিগী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী ফাইনান্স সেক্রেটরি কে ঐচ অজয় মৈতৈনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, থা অসিগী ৯দা এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টগী মরু ওইবা মীহুৎশিং এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা কোলেজ অসিদা থারক্তুনা য়েংশিল্লবগা লোয়ননা কম্প্যুটর ওনর্সকী এগজাম থাবা অমদি ফোর্ম ফিল-অপ তৌবা য়াবগী অয়াবা পীবনা মরম ওইরগা খোঙজং অসি হন্দোকপনি হায়খি। মরম অদুনা কোলেজ অসিগী মহৈরোয়শিংনা মহৌশাগুম ক্লাস চাং নাইনা য়াওবীরনবা অপিল তৌরক্লি।

পাউগী মীফম অদুদা কোলেজ অসিগী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী মরু ওইবা মীহুৎ কয়ানা শরুক য়াখি।

# নুপা অমা শিদুনা লৈরম্লে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১০(ঐচ এন এস):
লিতান পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা লিতান খুলদা লৈবা চহী ৪০ রোম শুরবা নুপা অমা হৌখিবা নোংয়াই মতুং পুং ১ তাবা মতমদা সেনাপটিখায়বুং লম্বীদা লৈবা ৮১শুবা গ্রিদকী কেম্পদা শিদুনা লৈরেম্লে হায়রি। লৈখিদ্রবা নুপা অদুগী মমিংনা কলা মরান্দি (৪০) অপোকপা অজয় মরান্দি কৌই। অশিবা হকচাং অদু ঙসি পোরোমপাৎকী জেনিমসকী মোর্গতা পুলিসনা পুরক্লগা পোষ্ট মোর্তেম তৌখ্রে হায়রি।

**SHINING BYRNE ACADEMY**
Laipham Khunou, Imphal East District
Certavi et vici

ꯑꯦꯗꯃꯤꯁꯟ / ADMISSION NOTICE

11-10-2019

**DAY CARE**

Admission Forms for Admission to Day Care for the Academic Session 2020 will be issued from October 11 to 17 at the counter of Tiny Tots' Unique School, Dewlahland, Imphal East, from 1.00 P.M. to 3.00 P.M.

**Sd/- Head Mistress**
Shining Byrne Academy
HL-P/4053/11 Laipham Khunou, Imphal East

ꯋꯥꯟꯇꯦꯗ / WANTED

A Multi-Division Company based at Imphal is looking for right candidates for the following posts.

| Sl. No. | Name of Post | Post | Qualification | Salary |
|---|---|---|---|---|
| 1) | HR Manager (M/F) | 10 | Graduate | 10,000-20,000/- |
| 2) | HR Executives (M/F) | 25 | 10+2 | 7,000-15,000/- |
| 3) | Office Assistant (M/F) | 5 | 10+2 | 5,000-7,000/- |
| 4) | Security Guards (M/F) (Free Fooding & Loading) | 10 | VIII | 5,000-7,000/- |
| 5) | Home Tutors (M/F) | 40 | for any class | |

Application form is available during Office hours only.
Contact :- 7005707412/9612396737

**Sd/- Manager**
HL-P/4058/11 Times Group, Nagamapal,Imphal

ꯈꯪꯍꯟꯕ/খঙহঞ্জবা

ৱাইশেল্লাকপা ইদুনিংথৌ লমজিং লূপ, কোঞ্জেং লৈকায়, মোংশাঙ্গেগী থৌ পুবশিং :

1. S. Dilipkumar Singh - President
2. Ch. Kanta Singh - Vice-President
3. Oinam Scott - Secretary
4. L. Rajesh Singh - Assistant Secretary
5. Y. Chittaranjan - Treasurer

**Sd/- Oinam Scott**
HL-P/4054/11 Secretary, Waisellakpa Iduningthou Lamjing Lup

ওফিস ওফ দি
ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন
ꯈꯪꯍꯟꯕ/খঙহঞ্জবা
তাং ১০/১০/২০১৯

**No. 4/6/2018/IMC :-** কৈথেল অহুমদা ফম্বীরিবী ইমা-ইবেলশিংগী মফমদা করিগুম্বা খরদং খঙহঞ্জরি, মদুদি পোৎফম ফম্বীরিবা ইমা-ইবেলশিংনা ইশা-ইশানা ফম্বীরিবা পোৎফম্না কল্লিবা মফম অদুদগী হেন্দোক্তুনা ইশাগী পোৎ-চৈনচিংবা থম্বীগনু। কৈথেল মনুংদা ঙা য়োনবীরিবীশিংনা ঙা শেমজিনবীগনু। কৈথেল মনুংদা হোটেল তৌবীগনু।

খ্বাইরম্বন্দ বজারগী অকোয়বদা দুকান ফম্বীরিবশিংনা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন রেজিষ্ট্রেসন এন্দ লাইসেন্সিং ওফ শোপ বাই-লো ১৯৯৮গী মতুংইন্না শোপ রেজিষ্ট্রেসন তৌবীয়ু। অদুগা ট্রেদ লাইসেন্স লৌবীয়ু। কনাগুম্বনা রেজিষ্ট্রেসন তৌদনা লাইসেন্স য়াওদনা ফম্বা য়াওরগদি অথুবদা রেজিষ্ট্রেসন তৌবীয়ু। ট্রেদ লাইসেন্স মতম চানা রিন্যুএল তৌবীয়ু। করিগুম্বা মতম চানা রিন্যুএল তৌদ্রবদি রেজিষ্ট্রেসন এন্দ লাইসেন্স কেন্সেল তৌগনি।

**খঙজিনগদবা :** কনাগুম্বা মীওইনা আই এম সীদা শোপ রেজিষ্ট্রেসন তৌদনা অমসুং ট্রেদ লাইসেন্স য়াওদনা করবার তৌরম্লবদি আইনগী মতুংইন্না লিগেল এক্সন লৌগনি।

HL-B/5731/11,12 **Sd/- K. Chandrakumar Singh**
Municipal Commissioner, Imphal Municipal Corporation

ꯃꯤꯌꯥꯃꯒꯤ/মীয়ামগী কান্তা লৈশাংথেম শুমাং কুম্মেদগী পোত্থারগনি

পিছ মেকর হৌদোরকপদগী নুপী খোঞ্জেল শক্তুনা মীয়ামগী থৌগল তৌজরম্বা কান্তা লৈশাংথেম ফাউন্দর ভাইস প্রসিদেন্টসু ওইবিরম্বনা মহাক্কী অচিনবা খরদগী লীলা কাঙলূপ অসিদগী মতম খরা পোত্থাজনবা হায়রকপদগী অয়াবা পীদুনা পোত্থাখ্রে। মতম কুইনা পার্টি অসিবু পুমীন্নরম্বা ইয়াম্বনা মতম খরা লাপথোকখিবদা পার্টি অসিনা নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি। লোয়ননা মীয়াম্নসু অরানবা ৱাখল খনবীদনবা হায়জরি।

HL-P/3856/11 **Sd/- PEACE MAKER ARTISTES ASSOCIATION**

ꯇ꯭ꯔꯦꯟ/TRAIN YOUR CHILD BRAIN
MID BRAIN ACTIVATION COURSES
*(A Life time gift to your child)*
*Develop your Child's 6th Sense, Nobody Become A Genius by Luck. We Create Leader for the future Make your Kids the Most 'Unique'.*



জপানগী Technology অমগী মতেংনা পাঙথোকপা Mid Brain Activation Workshop/Training অসিনা অদোমগী অঙাংবু ৱাখল লৌশিং থৌহনবা, অফবা লমচৎ শাজৎকা লোয়ননা লাইরিক লাইশুদা মীথোই মীহেনবা, পুন্সিদা অচৌবা মায় পাকপা অমা শোয়দনা ওইহনবা ঙমগনি। ঙসি ফাওবদা মীথোই মীহেনবা অঙাং মশীং থিঙমদনা পুথোকখ্রবা, Sunday খুদিংগী লেপ্তুনা পাঙথোক্লিবা কোর্স অসিদা অদোমগী অঙাংসু য়াওহনবীনবগীদমক Book তৌবিহৌরো। অকক্লবা সিট মশীংনি। অকুপ্পা মরোলগীদমক কোল তৌবীরকউ।

100% Guarranty

*Please contact:*
**Narajit Moirangthem,** Midbrain Master
Genius Mind Tech. Imphal
☎ 8787562714 / 9862287481
Website :- www.gmtmanipur.in
Facebook : gmt imphal.
HL-P/3850/9,11

ꯗꯁꯥ ꯌꯦꯡꯖꯔꯤ/দশা য়েংজরি



জন্ম কুঠী অমদি খুবাক ময়ি সাইন্টিফিক ওইবা মওংদা কুপথনা য়েংজরি। দশা লাংফম কোক্লবা, মহে-মশিং ফগৎনবা, পরিক্ষাদা মার্ক ৱাংনা ফংনবা, অৱাংবা পারিক্ষাদা মায় পাক্লবা, হায়না তানবা ইন্নবা, নিষা-পাষা চাদনবা, থবক করবার ফগৎনবা, প্রমোসন-ভোট কাননবা, শেল হেন্না লাক্লনবা, শেল তোনখিবা শিংলক্লবা, পুৎথবা শেনফম হঙ্গৎনবা, লৌ-ইংখোল লেপ্পা ঙম্নবা, ফজবা য়ুম শাবা ঙম্নবা, ইংখোলদা য়েংশিনবা ঙমদনবা, খৎনবা-য়েৎনবা কেস ঙম্ননবা, ইমুং-মনুং ৱাখল তিন্ননবা, য়ুম্বাল মরা চেৎননবা, অঙাং পোক্তবা ফংনবা, হকচাংগী অরুবা অনাবা কোক্লবা, লাইগী-মীগী পোৎশেম-যাদু চঙদনবা ঙসিমক লাক্তুনা মতম লৈরিঙৈ ফনবা তান্নবিয়ু। অয়ুক পুং ৭তগী ১১ ফাওবা, লৈবাকপোকপা য়েংজদে।

*Contact:-*
**Jyotish Maharishi Dr. Ph. Rajendra**
(International Astrologer)
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
HL-P/4016/7-31 oct & 1-5 nov. Near Community Hall, Imphal East



HL-B/5660/11sept.-11oct.

ꯃꯤꯇꯩ ꯂꯥꯏꯌꯦꯡ/মীতৈ লায়েং

য়া শৎতনা লায়েংবা, য়াগী কেন্দর মায় পাক্লা লায়েংজরি। এন ইবোহল মীতৈ
চীংমৈরোং মনীং লৈকায় লম্বী চংফম মচিন, নিয়র এসেমব্লী কমপ্লেক্স



১। হৌজিক্কী মতম অসিদা মীয়াম্না মীপাইনরিবা বি.পি. হায়বসি ইমালোন্দা লাইয়ৈ য়ৈবা হায়বনি। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুনা অসুম চৎলম্লদগী বোম তুদুনা শিরে, তুমখিবদগী হৌগৎলক্তরে হায়বদি ঐগী লোলদা লাইয়ৈ য়ৈদুনা শিরে হায়বনি। হৌজিক্কী মতমগী লোন্দদি বি.পি. পোকখায়দুনা শিরে হায়না খঙনৈ। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুশিংনা থম্বীরম্বা ইীদাকশিংনা লায়েংদুনা কনবা ঙম্লে। অকুপ্পা মরোল মীতৈ লায়েংদা নৈনবীয়ু, তান্নবীয়ু।
২। হার্টকী লায়না হায়বদি শ্বর হোনবা নুংঙাইতবা, শদৌ থোংবা, হকচাং চোকথবা, তুম্বা য়াদবা, অকি অখঙ পোকপা অসিনচিংবা লাইওং কয়া অসি হার্টকী ওইবা প্রোব্লেমনি। অদুবু ৱাবীরুনু মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা ফহনবা ঙম্লে।
৩। হৌজিক্কী মতম খুৎলায়গী পাঙ্গলনা চাংয়েং তৌবদা অনাবগী লাইওং পুথোকপা ঙমদবা লায়না লাইওং কয়া মীতৈ লায়েংনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। নুংশীৎকী লায়না (Gastric)।
৪। Make-up (Parlour) তৌবদা চান্নদবদগী মায়দা allergy তৌবা অসি মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা কোকহনবা ঙমজরে।
৫। মীওইবগী পুন্সিদ য়া হায়বা শায়রগা চান্নরীবা অসিবু পুন্সিগী লেঙদ্রবা পামেল অমা ওইহনবীয়ু। অদোমগী হকচাঙ ফহনবীয়ু। য়ানা মীওইবগী থরায়নি। য়া নাবা অমসুং য়াদা মুবা তিল চাবা হোবা, য়রীদা পোম্বা, নাই চাবা, ঈ থোকপা অসিনচিংবা কয়া শত্তনা অমদি তুংদসু অমুক হৌহন্দনা মায় পাক্লা লায়েংজরি।
৬। মথক্তা পঞ্জখিবা লায়নাশিং অসিগী মথক্তা মখাদা পঞ্জরিবা লায়নাশিং অসিসু ঐখোয়না চংয়েং কয়া তৌজদুনা নীঙথিনা লায়েংজদুনা মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে। লায়নাশিং অদুদি :- নুংশং নাবা, লাই ওক্লবা, ঈশিং পুকচৎপা, নুপীগী থাগী খোক্তকাপ শেইবা, ফিট্টো চৎপা, ঈ-নুংশিৎ, লিবর, চকখাউনাবা, এজমা হারা, হুইনা চিকপা, লিন্না চিকপা, সাইনস, তেক্সিন অমদি কংখুনচিংবা লায়না কয়া, লালচাক-ফম্বী শোনবা, খোঙয়া শাবা, হকচাংদা ঈপুম নাইপুম লৈবা (without surgery) ফহনবা ঙম্না হীদাক, খাঙ নাবা, মটুলৈবা, অপোম্বা খুদিংমক, নুংশিৎ চংবা (হিংচবি চংবা), মীৎ-নাপু কাবা, খোঞ্জেল শীথবা (voice down), ঈ-য়াই হকচাং লোয়বা ফনবা অমদি মশা পাবা লোয়নবা, নাহি তাবা অমদি উনশাগী লায়না কয়া মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে।
অকুপ্পা মরোল খঙবীনিংবশিংনা মীতৈ লায়েং ইবোহল, সনাতোম্বা, গোপাল অমসুং মোধুবলাদা তান্নবীয়ু।

Phone No. 9612225582 Regd. No. 4277 of 82 April
HL-B/5648/31/8to30/9 DR. N. IBOHAL MEITEI, State & National Awardee

ꯅꯨꯡꯁꯉꯒꯤ/নুংশঙগী ওজাবু থাগৎচরি



Naorem Ibomcha

ঐগী হকচাংদা নুঙশং হায়রিবা লায়না অসিনা মতম শাংনা নাদুনা লৈরকপনি। লায়ওংদি :- মপান্দা পোম্বা, মপান অকোয়বদা থাগৎপা, চেকখাইবা, ঈ তাবা, চিকপা-শাবা, হাক্কৎচবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা অসিনি। মফম খুদিং চৎতুনা য়েংজরুরে। ফবা কৌবা লৈত্রে। লাইবক ফবদগী হৈঙাংদা লৈবা নাওরেম ইবোমচা (ফোন নম্বর 8014023792/6009147645) গী হীদাক চাবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা নুংঙাইতবা অদু ঙসিদি পুংফ ফজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী সেবা মতম কুইনা তৌবীরকখো হায়না ঈশ্বরগী মফমদা খুরুমজরি।



থাগৎচরিবা - **Maibam Karani Meitei (60)**
Kongpal Chanam Leikai
HL-P/4367/30sept-29oct.

**INDIAN INSTITUTE OF BANKING AND INFORMATION TECHNOLOGY**
**Kakching Paji Leikai, Ayangbung, Near Axis Bank**
**GSTIN : 18AAFF01723H17K**
**BRANCH CODE : IIBIT06684**

**Vacancy in India's top leading Pvt. Bank for the following positions :-**

1. Operation Department:- Any Graduate and Experience can apply with age below 30 yrs.
2. Processing Executive:- Any Graduate and Experience can apply with age below 30 yrs.
3. Senior Officer:- Any Graduate and Experience can apply with age below 30 yrs.
4. Sales Officer:- Any Graduate and Experience can apply with age below 30 yrs.

**Please visit to the IIBIT office kakching.**

**Please Contact :- IIBIT, Kakching Branch**
**# +91 8837318822/ +91 8575836481/ +91 8014066918**
HL-B/5664/12sept.-12oct.